A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

নহারোলগী থৌদাং

## এদিটৌরিয়েল

## সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি চয়েৎনবা

### অথুবদা লোইশিন্নবা হোৎনফম থোকই

ষ্টেট অসিনা কনাগীসু মীখা পোন্দনা লৈরিঙৈ মতমদদি ইশাগী ওইবা লৈঙাক শাসন অমগী মখাদা লৈরম্বদু ঙসিদি ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদগী মখোয়গী ওইবা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিনা চপ মান্নবা লমদম অমদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক শাসন থমদুনা চীং তম অনীগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তৌদুনা অপুনবগী ওইবা শাসন অমগী মখাদা থমদবা অসিনা মতম চুপ্পগী উংখৎনবগী ফিভম অমদা লৈরিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি।

অদুনা লৈরিবা লৈঙাক শাসন অসিনা শেমদোক্তুনা য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো অমগী মখাদা থম্নবা হোৎনফম থোকই। য়ুনিফোর্ম লেন্দ লো অমা লৈতবা অসিনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী বাউন্দরি য়াৎথোক্লবা হোৎনবদা উংখৎনবা তৎতনা থোক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হৌজিক হৌজিকসু তমেংলোং অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মরক্তা বাউন্দরিগী মতাংদা অচৌবা উংখৎনবা অমা লৈরিবসিনি। মসি সরকারনা মতম চানা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি মৈরিকপীদগী মৈত্রাওবী ওল্লক্তুনা লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা ৱাথোক অমা থোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। তম্পাক্কী লমদদি এমএলআর এন্দ এলআর এক্ট লৈবনা কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী লৈজরিবা লম অদু নত্তনা অতোপ্পা অহেনবা লম লৌশিনবা হায়বসি অরাই অমা ওইদে। অদুম ওইনমক চীংগী লমদদি অদুগুম্বা অকক্লবা লো অমা লৈতবনা চীংগী খুল্লাকপা অমনা চাওরবা লম কয়া মখোয় মখোয়গী কন্ত্রোল মখাদা থম্নবা হোৎনরকপদা ৱাথোক কয়া অদু লাক্লিবনি। তম্পাক লমদদি লৈবাক্কী ওইনা লৈরিবা নিংথৌ হায়বসি অমখক্তনি, চীংগী লমদদি নিংথৌ কয়া লৈবগে, মখোয় মখোয়না হান্না লৈরিবা লম অদুদগী শেল খরা পায়রগা নত্রগা মরম অমদগী নৌনা খুল হোংদোরক্লগা খুন্দারি। মফম অদুদা মশানা মশাবু নিংথৌ হাপচিন্দুনা হান্না উমং ওইনা লৈরম্বা মফম কয়া মাগী লমনি হায়না হেক্তমক ক্লেইম তৌবগী চৎনবী অমা লৈবা অসিনা সরকারগী ওইনসু চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদা অয়েৎ-অপন কয়া পীবতা নত্তনা কম্পেন্সেসনগী অচৌবা শেলফম কয়া অমসু অরেম্বদা চৎহন্দুনা মপুং ফানা পায়খৎপদা অৱাবা ওইরি।

লাইবক থীবদি, চীংগী মশা মশাগী লৈজরিবা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি অদুগী ৱাংমা লান্না থংননা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অমগী লমখে লানশিন্না লম লৈদুনা নত্রগা লোৎনা থুপ্না চঙলক্লগা খুন্দাশিনখ্রবা মতুংদা লম অদু মখোয়গী হান্নগী দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মমিং অমদি মখোয়গী ওইবা লোনদা অতোপ্পা খুল অমগী মমিং হেক্তা থোনজিন্দুনা অমদি নৌনা চর্চ অমা হেক্তা শাজিল্লকপদগী ৱাথোক কয়া থোক্তবা নত্তে। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট খক্তা নত্তনা চান্দেল অমদি ককচিংগী এরিয়াদসু হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা অসিনি। চীংগী অমদি তম্পাক লমগী য়েৎনবা খক্তা নত্তনা হৌজিক্তি হান্না লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৯ অসিগী মথক্তা নৌনা দিষ্ট্রিক্ট ৬ অমসু হাপচিনখ্রবনি। মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি চাওথোক্ন বা হোৎনবদা নৌনা ৱাথোক লাম্ছোক কয়া থোরক্লবগী মরম অমসু ওইরি। জিরিবামদা হৌজিক লমগী বাউন্দরিগী মতাংদা ৱাথোক লাক্লিবসিসু হান্নগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী নৌনা অমুক নোনে দিষ্ট্রিক্ট খায়দোরকপদগী হান্নদগী হৌনা জিরিবাম অমসুং তমেংলোংগী বাউন্দরিগী চয়েৎনবা লৈরিবা অদুগী মথক্তা অনৌবা ৱাথোক অমা হাপচিল্লকপনি হায়না লৌবা য়াই। অদুনা সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিগী ৱাথোক অসি মতম চুপ্পগী ওইনা লৈতনবা হান্নগী লৈরিবা অরিবা মেপ অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিং য়াওনা সর্ভে তৌবা চঙই। সর্ভে অদুগী ৱাংমদা থবক তৌরকপশিং আইনগী থোংদা মতিক চাবা ৱায়েল চৈরাক ফংহন্দুনা লোগী মথক্তা কনাগুম্বা অমত্তা লৈবা য়াদে হায়বসি খঙহনগদবনি। মসিগী মথক্তা হান্নগী লৈরিবা রিকগনাইজ তৌরবা খুলশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা নৌনা চোংথোরক্লিবা খুলশিং মশক খঙদবগা লোয়ননা অদুগুম্বা খুলশিং অদুদা সরকারগী ওইবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংহল্লোইদবনি। মদু খক্তনা অনৌবা খুলশিং চোংথোরকপদগী নৌনা ৱাথোক লাম্ছোক কয়া থোরক্লিবসিদগী থিংবা ঙমগনি।

### ফোটো নিউজ । এদিটরদা থারকপা চিঠি

### রিমস রোদ নিংথিনা কোইলাস থাবীবগী পাল্লিবা লৈঙাকপু থাগৎচরি

ইকাই খুম্নজরিবা এদিটর,

রিমস রোদ য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমনি। লম্বী অসি ইম্ফাল সিতিগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বীদা নত্তনা অনা লায়েং লাকপা, অনাবা পুথোক পুশিন তৌবদা নত্তনা ওফিস চৎপা মীওইশিংগীসু য়াম্না মরু ওইবা লম্বীনি। লম্বী অসি মতম অমদা বাবিনা ক্লিনিক মপাদগী রিমস কোর্নরগী মপা অদু ফাওবা মতম অমদা লম্বী শরুক য়াম্না ফত্তনা ফিভম শোক্লা লৈরম্বনি। অদুবু ঙসিগী পাল্লিবা ইকাই খুম্নজরিবা সার এন বিরেনগী লৈঙাক্লা নিংথিনা কোইলাস থাবীদুনা অফবা লম্বী অমা হায়বদো ওইররে। মসিগীদমক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকপু ঐহাক্লা ঙমখে লৈতনা থাগৎচরি। লম্বী অসি মতম অমদা কয়াগী মতিক ফৎলমদে। মতম অমদা ঐহাক্লা লম্বীগী ফিভম শোক্লা লৈবা উবদগী নুংঙাইতবদগী মতম অদুদা ফোঙবা পাউচে খরদা নিংথিনা কোইলাস থাননবা পাউচেশিংদা ইজখিবনি। ঙসিদি পাল্লিবা লৈঙাক্লা হোৎনবীদুনা নিংথিনা কোইলাস থাবীদুনা অফবা লম্বী অমা হায়বদো ওইররে। অতোপ্পা অমনা ঙসিগী পাল্লিবা সার এন বিরেনগী লৈঙাক্লা ফিভম শোক্লা লৈরিবা হৌজিক ফাওবা শাবা হৌদ্রিবা ক্লাকৈথেলগী কৈথেল অসিসু অথুবা মতমদা সার না মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা শাবীনবা অমুক্কসু নোল্লুক্লা হায়জরি।

অদোমগী
হাওবিজম জয়
ক্লাকৈথেল থোকচোম মখা লৈকায়

# জিবশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফত্তবসি তাইবঙ মীওইবনি



অচুম্বতনা জয় ওই
সমাজসিগী শোথরবশিংদা কথোকচবা
হাওরুংবম শরত খুমন

মীওইবা ঐখোয়গী মরক্তা, ঐঙোনদগী হেনবসি কনাসু লৈতরে হায়না খনবা, মীওই মশিং খঙদনসু হিংলি। শিগনি ফাওবা খহ্নদবা মীসু য়াম্না লৈরিবনি। ফনা ফম চাওরবসু, ফনা অহল ওইরবসু, ৱাখল মপুং ফানা খন্দবা মীসু য়াম্না উরি। মীওইবগী অফবগী চাংসি নোংমা নোংমগী হহ্বরক্লি। হেন্না হেন্না চাওখৎলক্লবনিনা, ময়েক্কীদি ৱাখল খনবগী, অফবা থবক তৌবগী, চাংসি হেন্না ৱাকৎফমদি থোকপনি। অদুগী ওন্ন-তৈনবদু মীওইবগী সমাজদা ফত্তবশিংগী মশিংসি নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। অফবা মিংচৎকা লোয়ননা হিংগে হায়রবদি মিংচৎ লৈবা থবকশিং তৌরম্লগা, ঈজ্জৎ অমা থম্লগা হিংলমগদৌবনি। মিংচৎ হায়বসিদি সংসারগী কৈথেলদা য়োন্দে। অফবা মিংচৎতগী হেনবা করিসু লৈতে।

বিজেপিগী চৎন-পথাপ অমা লৈরি। মশাগী চহী ৭৫ শুরবদি সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইবা য়াদে। অদুগা ষ্টেটশিংগীসু চিফ মিনিষ্টরনচিংবা ওইবসু য়াদরি। অসুম্না শ্রী নরেন্দ্র মোদিসু হন্দক্কী টার্ম অসিদগী হেন্না ফম পায়বা য়াররোই। মহাক্কী দেট ওফ বার্থ অসি সেপ্টেম্বর ১৭, ১৯৫০ নি। পোকপা নাইবা মপোকসি, অরোইবগীসু মতম লৈরিবনি। হেন্না অফবশিং থোরকপা ওইরসনু।

ইন্দিয়াগী পোলিটিক্স অসি য়াম্না অমোৎপা মখলগী দিমোক্রোসিনি। অমোৎপসি ইন্দিয়ানা ফ্রিদম ফংদ্রিঙৈদগী লৈরকখ্রবনি। মীরোল কয়া চঙখিগনি, অমোৎপসি শেংদোকপদা। মণিপুর সমাজদা পৈশা য়েন্দনা ইলেক্সনদা মায় পাক্কদৌবা কেন্দিদেট পোক্তরি। জননেতা হিজম ইরাবত ফাওবা অহানবা ভোট লেপ্পদা মায়থিখি। মণিপুর সমাজগী তোপ তোপ্পা ঈথক ঈরাংসিদি, পৃথিবীগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা উদরি। সমাজসিগী ৱাখল ৱাৎপা, অনৌ অনৌবা চৎনবীনি, কনানসু ফত্তে হায়নদে। মায়কৈ খঙদনা অতিয়াদা পায়রিবা উচেক্কা চপ মান্নরি।

হিংশাগী থৌদোকশিংসি নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। ইভিএম মশিং খঙদনা পুরম্বা ত্রক কয়া ষ্টেট কয়াদা ফারি। ইলেক্সন অসি মতৌ করম্না শেমদোক শেমজিন তৌরগা, মায় পাকপনো হায়বদু ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। ইলেক্সনদদি মীনম্না মীনা মায় পাক্কনি। পুকচেল শেংবা, ইচম চম্বা মীনা কৈদৌনুংদা মায়পাকপা ঙমখিরোই। ইলেক্সন অসি থম্মোয় শেংবা, ধর্ম্ম লৈবা, পুন্সিসিদা অশেংবা অচুম্বা তৌরিবা মীশিংগীদি নৎতরে। অদুবু ইন্দিয়াগী মফম খরদদি ইলেক্সন অসি শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা পাঙথোকখি।

শ্রী নন্দিগাম সুরেস লাইরবা বিপিএল কার্দ হোল্ডরনি। মহাক্কী লফোইগী ফার্ম লৈ। ফেমিলিগী মতেং পাংননবা পার্ট টাইম ফোটোগ্রাফরসু ওইখি। মহাক ইংলিস, হিন্দি ঙাংবা ইবা হৈতে। অদুগা থবক্তি য়াম্না কন্না শুবা মীওইনি। গ্রাস রুট পোলিটিকেল ৱার্করনি। অসিগুম্বা মীওইসু অহানবা এমপি ওইনা অন্ধ্র প্রদেশকী বাপাটলা কেন্দ্রদগী মীয়াম্না খল্লি। অতোপ্পা অনৌবা এমপি অমনা গোদ্দেতি মধাভি অসি অরাকু কেন্দ্রদগী কারকখি। মহাক ফিজিকেল এদুকেসন টিচরনি। মশাগী চহী ২৮ শুরে। ইনকম না লুপা ১.৪ লাক্ষ খক্তনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনদা সবমিট তৌখি। মহাক্না ১৬রক এমপি ওইখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্বা মীওইবু মায়থীবা পীরগা এমপি অনৌবা মীয়াম্না খনখি। অতোপ্পা অমনা সর্কল ইন্সপেক্টর ওইরম্বা গোরান্টলা মাধবপু এমপি ওইনা হন্দক খনখি। মহাক বেকৱার্দ ক্লাস কম্মুনিতিদগী লাকপনি। মখোয় অহুমসি অন্ধ্র প্রদেশকী ৱাইএসআরসি পার্টিদগী কাখিবা এমপি ঙাক্তনি। ঐখোয়গী ষ্টেটতা হায়নিংঙাই লৈতনা খেন্নরি। অচুম্বা অশেংবসি মণিপুরদগী মাঙখরে।

মিস চন্দ্রাণি মুরমু, চহী ২৫ থা ১১ নুমিৎ ৮ খক শুরিবী নুপী লৈশাবী অসিনা ইন্দিয়াগী য়ঙ্গেষ্ট এমপি ওইরে। মহাক বিজেদিগী কেন্দিদেট ওইনা মায় পাকখি। ওদিষাগী কিওনজার লোক সভা কেন্দ্রদগী খনখিবনি। ক্রিমিনেল রেকোর্দ লৈরিবা মীওই কয়াবু লৈবাক্কী এমপি, এমএলএ ওইনা খল্লিবসি অফবা খুদমদি নত্তে। পোলিটিকেল সর্কল অসি দেকোইট (গুন্দা), শাধু মুণি সন্যাসি কয়াগী মফম ওইরক্লি। পার্লিয়ামেন্ট হাউস অসি চহী খরা লৈরগদি মন্দিরগী মওংদা ওইরকপা য়ারি। ইন্দিয়াগী মন্দিরশিংসি কয়া য়াম্না করপ্ট ওইনা, লাই খুরুম্বা ফাওবদা পৈশা লোন্না পীনৈ হায়বসি খঙনরিবা ঙাক্তনি। পোলিটিকেল সিন অসি অচৌ অচৌবা ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্তরশিংদগী হৌজিক্ন া মন্দিরশিংদা পুকচেল শেংদনা লাই নিংবদু ওইরক্লি। ইন্দিয়াগী পোলিটিকেলগী মাইওনসি ঙক্লিংঙাইনি।

পোলিটিক্সতা লাইরিক হৈবগী দরকার লৈতে। হেন্না দরকার ওইরিবসি লমহুইগী লৌশিং অদু ওইরম্লে। ওক্সফোর্দ, কেম্ব্রিদজ, হার্দবার্দ য়ুনিভর্সিটিগী এদুকেসনগী মঙাল অদু ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা দরকার ওইদে। ইভিএম অসি মীওইবগী হক মাঙহল্লিবা মেছিন নি। পৃথিবীগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা শীজিন্নদে। বেল্লোট বোক্স শীজিন্নরি। ইন্দিয়াদসু বেল্লোট পেপর সিষ্টেমগী ইলেক্সন তৌরবদি হৌজিক উরিবা রিজল্ট অসিগা মান্নরোই। মীওই খরদি মোবাইল ফোন অসি মীনম্বগী থৌরমশিংদা শীজিন্নরি। অসুম্না ইভিএম অসিসু মীওই খরনা ইলেক্সনদা মায় পাক্লবগী খুৎলাই ওইনা থম্লগা শান্নরি। মীনম্বগী অরোইবা মতম শোয়দনা লাকখিগনি। মতমনা পুরকখিগনি।

হিরম খুদিংদা শোথরিবা সমাজ অসিদা, থবক থৌরম খুদিংগী থাবল চোংবা, শানৈ-য়ুনৈবা, ঈথক ঈরাংদা লুপ্পসি হহ্খিনবা অমসুং ফননবগী ৱাখল খহ্নহন্নিংই। ইশা ইশাগী হক পৈশা খরদা য়োনখ্রগা মতম মাঙননবগী হক অমুক তান্নবগী তাং তৌরিবা কাঙলুপ কয়া অমুক থোক্লক্লগনি। মণিপুরদা মশিং খঙদ্রবা ক্লবশিং, ওর্গনাইজেসনশিং, এসোসিয়েসনশিং লৈরি। মখোয়গী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদু অমুক্তা য়েংবীয়ু। নিল রিপোর্ট ঙাক্তনি। মণিপুর সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটিদা ভাইস চাঞ্চেল্লর লৈতবসি মণিপুরগী অঙাংশিংগী মাঙজবনি। ভিসিসু লোটরি তৌরগা খনবগী তাঞ্জা লাক্কদৌরিবরা?

মীওইবা ঐখোয়গী মরকসিদা, জঙ্গলদা লৈরিবা শাহিং চাবা শাশিংদগী হেন্না শাথিবা, ফজবা বিল্ডিংদা লৈরিবা মীওইশিংসু য়াওরি। ঙক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা, ফত্তবা মী হায়বসিদি চহী য়াম্লে, অহল ওইরবনি। ফত্তবদু খরা হহ্বরমগনি হায়বা লৈতে। ফত্তবগী ঈদি অহল ওইর- ওইরগা হেন্না ফত্তবদু হেঙ্গৎলকই। অসুম্না ফত্তবগী চাংদু লোইরবনি, পুন্সিগী লোইনবী অমসুং মচা মশু ফাওবদা খুৎনা থাদুনা, পুন্সিবু লমখাংদা লোইশিনবা হায়বসি । মখোয়গুম্না জিবসি তাইবঙ মীওইবগী, সমাজগী ৱাংমদা হিংগদৌবা কাঙলুপনি। মখোয়বু মতম চানা তোঙান্না থাদবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লি। ফত্তবা হায়বসিদবু য়াম্না লাপ্না উদবা মফমদা পুল্লপ থমগদৌবনি।

লৌশিং লৈরে, ৱাখল খল্লে হায়রিবা মীওইবা ঐখোয়না পীকখ্রবা উচেক, শেন্দ্রাংমুক চাওবা উচেক্কী মতিক মগুণ য়ৌবা ঙমদ্রি। সাউথ ইন্দিয়াদা লৈরিবা উচেক মানমগননা অশংবা মচু মবুক্না অঙৌবা, মমিৎ মপালসু অঙৌবা মচুগী কোইশিল্লি। অদুগা মমৈনা অমুবা মচুগী পাল্লি। উচেক লাবা অমোম অনীগী মরক্তা লাইবক থিদুনা অমা লৈতবা থোক্লবদি, হিংলিবা উচেক্তুনা অশিবা হকচাংদু অদুম মচিন্না থেংদুনা লেংদনা লৈরি। মহাকসু শিদ্রিবা ফাওবা, অশিবদুগী মনাক্তা করিসু চাদ-থক্তনা শিখিবগী মতমদু ঙাইরি। ওহ্ছোক্লা খেন্নখরে। হৌজিক্কী মতমগী মীগা জিব অতৈগা। মহাক্কী লোইনবীবু লুনা চান্না তৌবীদবসিদি তাইবঙ মীওইবতনি। শা ঙা অমত্তা, লোইনবীবু লোইশিন্দে। জিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফত্তবসি তাইবঙ মীওইবনি। শাহিং চাবা কৈ ফাওবা, কৈ লাবনা কৈ অমোম হাৎতে। ফত্তবা মীওইশিংনা অফবা থবক কৈদৌনুংদা তৌরক্লোই। মীওইবগী মপোকসি মশক খঙদ্রবা ফত্তবা মীওইশিংনি। খ্বাইদগী ৱানা লোইগদৌবা মখোয়নি।

# জুন ১৮ না লাকপসিদা

## (অদুমক ৱাখল চরাংনরি)



উশম ধরমেন্দ্র
ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

হন্দক্কী চহী ইং শক ২০১৯ গী জুনগী তারিক ১৮ লাক্লে। নীংশিংলুবদা থোইদোক্লা কাউবা ঙমদবা পুক্লিং নুংশিবা থৌদোক্লি, অদুঙৈগী ইং শক ২০০১ গী জুনগী তাং ১৮। ঙরাংতা থোকখিবোই নীংই। নাগা লালহৌলুপ অমগী শান্তিগী ৱারী পরিং শমথরকপদা য়াওরকপা 'ৱিদাউথ টেরিটোরিয়েল লিমিট' হায়বা মতমদুগী অট্টল বিহারি ভাজপায়িনা লুচিংবা এনদিএ সরকারগী সিজফয়ার এক্সটেন্সনগী ৱাফম , অদুগা মণিকপুর মৈ হৌনা চাক্লকখিবনি। অদুগুম্বা বেঙ্কোক দিক্লারেসন অদুগী মায়োক্তা মণিপুরদা হৌনরুবা তৌদনা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাকখি। মণিপুরীশিংনা ভারত সরকারনা নাগাগী শান্তিগী ৱারী শান্নজবদা করিসু অকায়বা পীদে। অদুবু মখোয়গী শান্তিগী ৱারী পরিংদা মণিপুর কোনশিল্লকপা য়ারোই হায়বা ইশম শমাবা প্রজা মীয়ামগী লোজিক্লি। থৌনা ফনা মতিং ফুদোরক্কদবা লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা মতিং ফুদোরক্তুনা উচি মখুলদা চঙদুনা লৈখিবদা শাওরবা মীয়াম্না মখোয়গী মথক্তা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লকখিবনি। খোইশাওনরবা মীয়াম্না এসেমব্লি সেক্রেটেরিয়েট য়াওনা এমএলএ মন্ত্রিশিংগী ক্বার্টরশিংদা অকনবা এটেক চথখি। মৈ চাকখি। মদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদনি ভারত লান্মীগী নুংশি হৈত্রবা নোংমৈ গুলিদা জুন ১৮ গা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মমল য়াল্লবা মীওই ১৮ গী পুন্সি লোমখিবা। মমৈথংদা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌনা মরম ওইরগা ভারত সরকারগী খোঙফম হন্দোকখি। জুন ১৮, ২০০১ ইংগী থৌদোক্তুবু ঙসিসু মীয়াম্না কাউনদ্রি। ষ্টেটসিদা থৌদোক্তুবু 'দি গ্রেট জুন অপরাইজিং, য়ুনিতি দে' হায়দুনা পালন তৌদুনা লাক্লি।

চহী খুদিংগী পালন তৌদুনা লাক্লিবা জুন ১৮ বু নীংশিংবগী থৌরম অসিনা মণিপুরগী প্রজাশিংদা অচৌবা ঈথিল অমদি পীরি। মসিনা মণিপুরগী মীয়াম্না হিরম অমত্তদা মণিপুর অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা অপুনবা থৌনা লীংজেল অদুগী অনৌবা ইনোৎ অমদি অদুমক পীখিগনি। ঐখোয়না য়েংবা য়ারিবসি মণিপুরবু ভারত্তা পুনশিনবীখ্রবগী মতুংদা ঐখোয়গী চাউখৎ-মায়কৈ অসি কদোমদা চৎলি। ভারত্তা পুন্দ্রিঙৈদা মমাঙদা মণিপুর অসি করম্না হিংলম্মী, মণিপুরগী নীংতম্বগী ইতিহাস অসি কয়াম কুইরবা ঐখোয়গী তুংগী হিংবগী লম্বী কদোমদনো হায়বনচিংবা অসি নৈনবা অমদি ঐখোয়গী মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙহনবা মথৌ তাই। মরমদি ঐখোয়গী ঙসিগী মহৈরোইশিং অসিনা তুংগী ঐখোয়গী জাতিগী য়ুম্বী ওইহৌগদৌরিবনি। মখোয়না লৈবাকসি ঙাক্লক্কদৌরিবনি।

মণিপুরগী চহী লিশিং অনী হেনবগী ইতিহাস লৈজে। মণিপুরগী কল্লবা মীতৈ নিংথৌ কিয়াম্বনা তরামঙাশুবা চহীচাদা তুংগী মণিপুরগী মীরোলগীদমক্তা খন্দুনা কবো তম্পাক লৌশিল্লম্মী। মদুগী মতুংগী ইতিহাসকী পরিং লিক্লমদা ভৈগ্যচন্দ্র মহারাজ গী নিংথৌ খুভমতবু মীহৌনবা মচাশিং লবন্যচন্দ্র, মোধুচন্দ্র, চৌরজিৎ, মার্জিৎ, গম্ভির সিংহগী নিংথৌ খুভম মুন্নবগী লানদা মার্জিৎকী মতমদা চহী তরেৎ খুন্তাকপা (১৮১৯-১৮২৬) থোকখি। নীংশিংলুবদা করিদগী চহী তরেৎ খুন্তাকপা থোকখি। ময়াম্বুং চৌরজিৎনা নিংথৌ ওইবা মতমদা ময়াম্বুং মথক্তা লালহৌবদা মায়থিরদুনা অৱা নিংথৌগী মতেং নীরুই। অৱা নিংথৌ কবো তম্পাক পীগনি মীখা পোনবা নিংথৌনি হায়দুনা হিংজগে হায়রুই নিংথৌ ওইরবা মতুংদগী অৱা নিংথৌগা য়ানখিবা অমত্তসু থবক ওইনা পাঙথোক্লমদে। অৱা নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা কবো তম্পাক্তগী চীংশু য়ান্নিংবা মওংদা য়ান্দুনা শীজিন্নে। মতমসিদা শাওরবা অৱাগী অঙম অথৌশিংনসু মৈদিংঙু পামহৈবনা পানবা মতম (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) দা অৱাশিংগী লৈবাক্তা লান্দারক্তুনা ওৎ নৈখিবগী লমন মীতৈশিংগী মথক্তা অমুক্তা খুমগে খনখিবদু মখোয়গী অনৌবা নিংথৌ বাগিদাউনা শাসন পায়রকখিবা মতমদনি কনথৌরবা জেনরেল মহাবন্দুলা থারক্তুনা মীতৈ লৈবাক চাইখায়খিবা মদুগী থৌদোক্তুবুনি ঐখোয়না চহী তরেৎ খুন্তাকপা হায়না খঙনরিবা। মণিপুরগী ইতিহাসতা অমম্বা চহীশিং ওইনা লৈহৌরিবসি।

অৱা লানদা মথ্বায় হিংনবা চেনখিবা মীতৈগী ঈ মরী য়ুমথংনরিবা মণিপুরগী থংনরিবা লৈবাকশিং বাংলাদেশতা, অসামদা, ত্রিপুরানচিংবদা খুন্দারি। লৈবাক্কী লুরবা তানফমসিদা মখোয়না মমা লৈবাক মণিপুর খক কাউথোকপা ঙমজদে। পীক্লবা মণিপুরগী পুৱারী নুংশিনিংঙাইনি। কন থৌরবা লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংদুনা মখুৎতা থাঙশাং পায়দুনা, শগোল খুদুপ থাদুনা থৌরগা অরাম্বাই তেন্দোং শাগোন্নদুনা ইরৈবাক ইরমদম অসিতবু কল্লকখিবনি । মখোয়গী কনথৌবগী শিহ্খিবা ঈ অদুনা ঙসি ইমা লৈবাক ইরমদম অসি লৈরল্লিবনি।

অমুকসু মচিন মনাও নিংথৌ খুভম মুন্নবশিংগী লান চন্দ্রকৃতি মহারাজগী মচাশিং সুরচন্দ্র, কুলাচন্দ্রা, টিকেন্দ্রজিৎ, পাকাসনা, অঙৌসনা, জিলাঙম্বগগী লাল। মহারাজ চন্দ্রকৃতিনা ইং শক ১৮৮৬ তা থুপখ্রবদা মজাইবুংঙো অহল সুরচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবা পোকমিন্নবা শগোলহঞ্জবা পাকাসনানা তৌনিংবতা তৌবা। পোকমিন্নবা মনাওনি হায়দুনা সুরচন্দ্র মহারাজসু খরা খঙশিন্না খরা খঙশিন্নদা তৌদুনা লাকখিবা। মদুদা কুলাচন্দ্র, টিকেন্দ্রজিৎ নচিংবনা মখোয়গী কেম্প অমা শাগৎখিবা। মদুদগী থোরকখিবা ইং ১৮৯০ গী সেপ্টেম্বর ২১ গী কোনুংদগী লালহৌ মচিন মনাওশিং লানবানবা ঙমদবনা সুরচন্দ্র মহারাজনা পোলিটিকেল এজেন্ট মিষ্টর গ্রিমৱুদ রেসিদেয়ন্সি দা চেনশিন্দুনা লানবাংবীয়ু হায়জবা পোলিটিকেল এজেন্টনা লৈরিবা বৃটিশ রেসিদেন্সিগী ওইরিবা শক্তি পুন্নমক্তুনা লানবাংখিদবা, মদুগী মখা তারকপা থৌদোকশিংগী পরিংদা সুরচন্দ্র মহারাজনা মতমদুগী গভর্নর জেনরেল লোর্দ লেন্সদাউন য়ৌনা ৱাকৎখিবা গভর্নর জেনরেলগী য়াথং পুরদুনা অসামগী চিফ কম্মিস্নর মিষ্টর ক্যুইন্টন মণিপুরদা লাক্তুনা মহাক্কী খুৎপুনা য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎপু নমদুনা ফানবা হোৎনখিবা, মীতৈ লান্মীশিংগা মিষ্টর ক্যুইটনগী খুৎপুগা শোক্লখিবা লান্দা বৃটিশ ওফিসার মঙা লানফা ওইখিবা, মীয়ামগী অকনবা মোবতা মীতৈ অঙম্বশিংনা মখোয়বু শিবগী দন্দি পীখিবা মদুদগী য়াল্লবা ইংরেজকী লান্মীশিং মায়কৈ অহুম হায়বদি কোহিমা লোমদগী, তমুলোমদগী, কাছারলোমদগী থাজিল্লক্তুনা ইংরেজকী মখুৎতা নিংতম্বা মাঙখিবা।

মখা তারকপা পরিংদা ঐখোয় ইংরেজশিংগী মখুৎতগী নিংতম্বা অগষ্ট ১৪, ১৯৪৭ দা ফংদুনা মশাগী সংবিধান শেমজদুনা মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎনা পীক্লবা লৈবাকশিং শাসন তৌদুনা লাকখি। অদুবু চোইখোম চোইখোম পুন্দুনা অনৌবা লৈবাক অমা শেম্নবা অপুনবা ভারত অমা শেম্নবগী পরিংদা নমদুনা ভারতকী ফিবান্নুংদা মণিপুর পুনশিনখি। শিল্লোংদা কৌরগা মতমদুগী মহারাজ বুধচন্দ্র অমুক থেম অমুক কিহন তৌদুনা নমদুনা ভারত সরকারদা পুনশিনহল্লবা মতুংদা ওফিসিয়েল্লি ওক্তোবর তাং ১৪ দা মণিপুর ভারত্তা পুল্লে লাউথোকখি। ভারত্তা পুল্লবা মতুংদা মণিপুরবু য়াম্না হহ্বা থাক্তা পার্ট সি ষ্টেটকী থাক্তা থম্বীখি। কোন্না কায়নথংদা মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাক্লবা মতুংদা জনুৱারী ২১, ইং শক ১৯৭২ দা ষ্টেটহুদ পীবীখি। মসিদগী চেহ্বরক্লিবা ঐখোয়গী ইতিহাস।

শাংলবা চহী কয়াগী ইতিহাসকী ৱারী পরিং তেন্তক তেন্তক্না থমজবনি। ঐখোয়না কাউবা য়াদ্রিবা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা ঙসিসু শিংনবা তোক্ত্রি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী অরোনবা ঙসিসু লৈরি। অমুক ঐখোয়দি মীশিং য়ামজদবা কাঙলুপনি। অদুবু নোংমা নোংমগীদি মীতোপ্না লাঙ্গোই চনশিল্লক্লি। মণিপুরদা শক্তাকচে য়াওরগা অমদি য়াওদনা হাইজিল্লকপা মীওইশিংনা পুমচাই চাইরে। মসি ঐখোয়না খঙবা মথৌ তাই। থোইদোক্লা ঐখোয়গী হয়েংগী জাতিগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবগী ঈহুল চেনবা তাই।

মতাংসিদনি, ঐখোয়গী মীয়াম্না খঙবা য়ারিবসি মণিপুরদা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনবা য়ারোই হায়দুনা চঙশিনখিবা ঈহৌদু ঙরাং নহান্তনি। অদুবু বিজেপিনা সরকার পায়রবদি বিজেপিনা সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল অৱাং নোংপোক লমদমদা চৎনহনগনি হায়দুনা দলগী প্রসিদেন্ট অমিট সাহনা মখৌ পোংনা লাউখিবদু। ঙসিদি বিজেপিনা লুচিংবা সরকার সেন্টরদা লাক্লে। শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী এচিভমেন্ট কয়ামা লৈরমগনি ভারতকী ওইনা য়েংবদা। অদুবু সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ গী মতাংদদি মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্নদি কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাগনি। মীতোপশিংনা খুদুম চনশিনখ্রবদি ঐখোয়গী তুংগী ফিভম করিনো , ইমা লৈবাক নুংশিবগী ঈহুলনা কদোমদনো?

লোইশিল্লকপদা, মণিপুরগী পুৱারীদা ঐখোয়না থেংনরি, মমা লৈবাক নুংশিজবা অথৌবশিংগীদমক্তা মশাগী থৱায় পাম্মুবা লৈতনা থাদোকই । অয়াম্বা মশাগী ওইজবা থিবশিংনা মমা লৈবাকপু য়োম্ছোকই। মশাগী চহী লিশিং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লবা ইরমদম ভারত্তা পুল্লবা মতুংদা অনেম্বা থাক্তা থম্মী। মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা মতম চুপ্পদা শীংনরক্লি। মীশিং য়ামজদবা য়েলহৌমী ঐখোয়বু মশিং য়াম্বা মেইনলেন্দ ইন্দিয়ানা য়োৎশিন্নবা হোৎনবা লেপতরি। মসি খঙনা ঐখোয়না চৎপা তাই হায়বা ৱাফমসি থমজরি।